# MANIPURI

## ( PAPER—II )

## ( LITERATURE )

| Time Allowed : Three Hours | Maximum Marks : 250 |
| --- | --- |

**ৱাহংশিংগীদমক অথমবা ৱারোল**

**পাউখুম ইহৌদ্রিঙৈদা মখাদা পীরিবা ৱারোলশিং অসি চেকশিন্না পাগদবনি**

কাণ্ডলূপ অনীমক (Section A and B) পুল্লগা ৱাহং নিপাল য়াওরি।

কেন্দিদেতশিংনা ৱাহংশিং অসিদগী ৱাহং মঙাগী পাউখুম পীগদবনি।

ৱাহং নম্বর **1** অমসুং **5** তি তঙাইফদনা খুমগদবনি। লেমহৌরিবা ৱাহং অহুম্না কাণ্ডলূপ অনীমক্তগী অমমমদগী তাদনা খল্লগা পাউখুম পীগদবনি।

যেংথংবা লাপান্দা ইরিবা মশীংশিং অসি ৱাহংগী মার্কনি।

মণিপুরীদা (বাংলা ময়েক্তা) পাউখুম ইগদবনি।

পাউখুমগী অকক্নবা ৱাহৈ মশীং পীরম্লবদি মদু ইনগদবনি।

ইরম্লিবা পাউখুমশিং অদু মথং-মনাও নাইনা লৌগনি। শরুক খরদমক ইরম্লবসু মদু ককথৎলমদ্রবদি পাউখুম ওইনা লৌগনি। ৱাহংগা কোম্লবা পাউখুম চেদুদা (Question-cum-Answer Booklet) হাংহৌরিবা লামায়শিং অদু ময়েকশেংনা ককথৎলমগদবনি।

# MANIPURI

## ( PAPER—II )

## ( LITERATURE )

| Time Allowed : Three Hours | Maximum Marks : 250 |
| --- | --- |

**QUESTION PAPER SPECIFIC INSTRUCTIONS**

**Please read each of the following instructions carefully before attempting questions**

There are EIGHT questions divided in two Sections.

Candidate has to attempt FIVE questions in all.

Question Nos. **1** and **5** are compulsory and out of the remaining, THREE are to be attempted choosing at least ONE question from each Section.

The number of marks carried by a question/part is indicated against it.

Answers must be written in MANIPURI (Bengali script).

Word limit in questions, wherever specified, should be adhered to.

Attempts of questions shall be counted in sequential order. Unless struck off, attempt of a question shall be counted even if attempted partly. Any page or portion of the page left blank in the Question-cum-Answer Booklet must be clearly struck off.

## SECTION—A

**1.** মথাগী বাহংশিং অসি বাহৈ *150* দগী হেন্দনা খুম্মু : 10×5=50

*(a)* করম্বা শরৌনা খুমন চনু চকপা শব্দবীবু মরাল লৈবী ওইহনখিবগে ? 10

*(b)* মৈদিংঙু উরা কোন্থৌবনা লংমাইশিংদা লান্দারিবা করিগীনো ? রাজনীতিগী ওইবা মীৎয়েংদগী কদায়ফাওবা চুম্বগে নৈনৌ। 4+6=10

*(c)* মতৌ করম্না অন্ধক মুনিগী শাপ্না দশরথকী মফমদা বরগুম্না থোক্লিবনো অমদি করম্না মপারীশিং ফংখিবগে ? 3+7=10

*(d)* 'চন্দ্রকীর্তি জিলা চঙবা'দা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্তিগী লাইনীংপরৈ চেৎপগী মমি কদায় ফাওবা তাবগে নৈনরকউ। 10

*(e)* য়োইমযাই সনা থোম্নাদোনবু কৌথৎনবা হোৎনরিবা করিগীনো ? মতৌ করম্না কৌথৎখিবগে ? 4+6=10

**2.** বাহংশিং অসিগী পাউখুম খুদিংমক খুমগদবনি :

*(a)* কাইনৌ টীংথে ললউন থানবী কনানো ? করিদগী মিংথোল অসি পীখিবনো ? মহাক্তী পুন্সিগী পোলোই করম্না লোইখিবগে ? 4+6+10=20

*(b)* 'ধনঞ্জয় লাইবু নীংবা'গী লৈমা তানু মতৌ নুংওনবীগী শক্তন (চরিত্র) অসি হিন্দুগী সতীগী ফিদমদা শাগৎখিবনি হায়বসি কদায়ফাওবা চাশিন্নবগে নৈনরকউ। 15

*(c)* 'নুমিৎ কাপ্পা'দা কনানা কনাবু শীংনবগে ? শীংনরিবা মীশক অদুগী হোৎনবা কনবা অমদি থৌনাগী মতীক-মগুণ শুগায়না ইরকউ। 5+10=15

**3.** বাহংশিং অসিগী পাউখুম খুদিংমক খুমগদবনি :

*(a)* মৈদিংঙু থোংনোং ময়াম্বনা মপাবুংগী করম্বা যাথং ঙাক্তুনা কদায়দা লান্দাখিবগে ? লৈঙাক মপু অমা ওইনা লাক্লোং শীনবা হৈবগী মরমদা ইরকউ। 6+14=20

*(b)* ''পায়মা নিংশা শঙহোননা যাইগী শুহনতা, শন্না হংথোঙ যাঙলী তংনা শিশানরাকে।''

অশিবা শাদুনা লৈরিবসি কনানো ? করিগীদমক্তনো ? তমপা বাংঙম্লোন পাম্লোইবীনা মতৌ করম্না তৌশিন্নবা অসি খণ্ডখিবগে ? মরী লৈনবা মতাংশিংদু ইরকউ। 2+3+10=15

*(c)* 'রামায়ণ আদিকাণ্ড'দা দশরথকী লৈমা অহমগী মনুংদা কৈকয়ীনা লৌখিবা শীংথানীংঙাই ওইবা থৌদোকশিং অদু নৈনৌ। 15

**4.** বাহংশিং অসিগী পাউখুম খুদিংমক খুমগদবনি :

*(a)* ''লংমাই তেংনা য়িমকাবা ইমোম নঙোম্দা নুথিনবা অসিবু লাইরেন মৈদিংঙু উরা কোন্থৌবা মশুংলাংগীবু লৈকাই পুজরুক লাংবন লৌওন-লুক্কুম্বু লনশিংনগে।''

অশাউ থাম্বী মৈহৌরবা শেম্লোই লংমাইশিংগা মশাবী হোংনেময়োই খুঞ্জাওগীদমক মায়োক্লবদা শীতঙ্গাদা উবা ফংবা থৌনা অমদি লৌশিংগী মতীক-মগুণশিংদু শীংথাদুনা ইযু। 20

*(b)* মণিপুরগী ইতিহাসতা 'জিলা দরবার' হায়রগা খঙনবা মীফম অদু মতৌ করম্না পাংথোকখিবগে ? যানখিবা বারোলনা করিনো ? মরীক চুম্না নৈনৌ। 10+5=15

*(c)* ''নিংথৌলৈঙাক্তা লৈবাক অমগা অমগা মরী চেৎহন্নবগীদমক মচানুপীশিংবু থবায় পান্দবা পোৎকুম পীথোক-পীশিন তৌনরম্নী'' হায়বসি 'থৌবাম্বাবা হিরান'দা কদায় ফাওবা উবা ফংবগে ? মমুৎতানা নৈনরকউ। 15

## SECTION—B

**5.** মখাগী ৱাহংশিং অসি ৱাহৈ *150* দগী হেন্দনা খুম্মু : 10×5=50

*(a)* কবি কমলনা 'সমাজগী ইতিহাস মপূংফাদে' হায়রিবা করিগীনো ?

*(b)* সার্টিফিকেটতবু পামজবী থারিকথা পুশিল্লকুনা সমাজ অসিদা চৎনরিবা মীগী মমল লেপ্পগী চৎনবীদা তোঙান্না করি ফোঙদোকপগে ?

*(c)* ''লাম্না ফংল্রবা খঙহৌদ্রবা ৱাখল অমনা অচৌবা ঈথক-ঈপোম ওইরদুনা অমুক অমুক ফুজিল্লকই।''
থম্বালগী পূক্লিংদা ফুজিল্লক্লিবা শাফু কল্লবা ঈথক-ঈপোনশিং করিনো ? করম্না ফীভমদগীনো নৈনরকউ।

*(d)* জহেরানা থুংনবুদি নীংনবনা হেন্না থোয়দারিবা করিগীনো ? মরম পীদুনা ইয়ু।

*(e)* 'মহাভারত'কী 'ধর্ম্মনা জয় ওই' (যথা ধর্ম্ম তথা জয়) হায়বা পাউজেলগা থম্না থোইবীগী ৱারীগা মান্নে হায়না কবি চাউবনা করম্না পুখৎলকপগে নৈনরকউ।

**6.** ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম খুদিংমক খুমগদবনি :

*(a)* 'মমাঙ লৈকাই থম্বাল শাৎলে' শৈরেং অসিদা কবিনা ফোঙদোকনীংলিবসি করিনো ? লমদম অসিগী পুন্সি মহিংবু কবিনা কদায় ফাওবা য়ৌশিন্না ফোঙদোকপা ঙম্বগে ? 8+12=20

*(b)* ''ফজবা করিনো ? ৱাহংশিং অসি হংনরকপা কুইরে অদুবু চপ চাবা অমতা ওইরবা পাউখুমদি ঙসি ফাওবা ফংদ্রি।''
পাউখুম থিরক্লিবা মণিন্না শান্নীগী মোত্তা ফজবা হায়বসি করিনা লেপ্পগে নীংথিনা নৈনরকউ। 15

*(c)* 'হীনাই ফুঙ্গা লীংবা' হায়বসি করিনো ? চৎন-পথাপ (সিষ্টেম) অসিনা তমুবীগী মরাইবক ওইথি হায়না লৌবা য়াত্রা নৈনরকউ। 15

**7.** ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম খুদিংমক খুমগদবনি :

*(a)* ''ঐনা পামজবা হায়ববু ঐহাক মৈতৈ নুপী অমনি হায়বসি খঙজবা অসিতনি।''
মশাগী অচেৎপা ফিরেপ লৈবী অরুনানা মপুরেইবগী ৱাথল্লোনগী মায়োক্তা লেপথিবসি মরম চাই হায়না লৌত্রা ? নশাগী মীৎয়েং ফোঙদোক্তুনা নৈনৌ। 20

*(b)* 'লৈ-লাংবা'দা চিংত্তু থাংজিংনা মজাইবেম্মা থোইবীদা করি শাপ তৌথিবগে অমদি করি মরমদগীনো ? শন্দোক্না ইয়ু। 15

*(c)* ''অদুগা ৱা ঙাঙবা হৈতবা শাগী মযুমদা খুগায়বনি ইকায়বা পোক্তি। অসিগুম্না তাঙলবা পৃথিবীগী অমতা ঙাইরবা সেংচুৱারী অসিবু শাবা ওম্না খুৎহৈবা থোরক্তবসু য়াই।''
মহৌশাগী থল ঙাক্তুনা থম্না পাম্বী অমদি শা-উচেকপু নুংশিজবী অমগী মশক বিনোদিনীদা কদায় ফাওবা উবা ফংবগে নৈনরকউ। 15

**8.** রাহংশিং অসিগী পাউথুম খুদিংমক খুমগদবনি :

*(a)* ''ঈথোং থোংনা মফমসিদা লাক্লে। লমদমসিদা থোংদাজরক্লে, পুন্সিগী থাজবশিংদুগা লোয়ননা, অদুগা থাজবশিঙদু —ওসীনি ওন্নমক উৎকী মপৈ ওনখরে।''

থানিলগী থাজবশিংদু করিনো? মতৌ করম্না উৎকী মপৈ ওনখ্রিবনো? মচা খায়না নৈনরকউ। 10+10=20

*(b)* 'অনৌবা থুংলবা জীব'দা কবি ইবোপিশক্না 'মথন্ত থৌরী যাম্দুনা শিজরে' হায়রিবা মীওইবগী ফীভম অসি নৈনদুনা ইযু। 15

*(c)* তাইবংপাল অসিদা কনাবু অরেপ্পা মরূপ ওইনা লৌবগে? 'অরেপ্পা মরূপ' লীলাদা নৈনরকউ। 15

★ ★ ★